

চহী কয়া পোরোম্পাৎ দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈরম্লবা শওন্খুংগী এস দি ও, এস দি সী অমদি সব-রেজিষ্টরগী ওফিস অমুক হন্না শওন্খুংদা লাক্কদৌরিবা অসিদা এম এল এ ইবোমচানা লুচিংদুনা ওফিস কমপ্লেক্স শিৎ-শেংখিবা



জিরিবামগী জয়রাৱনদা ঙরাংদগী হৌদুনা নুমীৎ নীনি চুপ্পা চথরকখিবা মার য়ুথ এসোসিএসন জিরিবাম অমদি ঐচ এস এ হেদ কার্টরগা খুৎশম্নরগা পাঙথোরকখিবা কনফরেন্স লোইশিনবগী থৌরমদা মীথুংশিংদা খুদোল তমখিবা



কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ওফিস কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার কেঙু জুরিংলানা প্রিসাইদ তৌদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি এল ওশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা দিভেলপমেন্টকী থবক থৌরমশিং খন্ন-নৈনখিবা



ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা শিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা য়ুনিট অসিগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম তোম্বীনা মৈতৈশিং এস টি লিষ্টতা চন্নবগী মতাংদা ৱা ঙাংলদুনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিনখিবা

## এৱার্দ পীরকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : শক্লাইরবা দিরেক্টর বিশ্বামিত্রনা দাইরেক্ট তৌবা রেবিকা ওক্রমনা ইবা অমদি সমির থিংবাইজমনা পুথোকপা মণিপুরী সোর্ট ফিল্ম *ইৱাই* (দ রিপ্পল) ১১শুবা দেল্লী সোর্টস ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২২দা এৱার্দ পীরকখ্রে হায়না ইৱাই টিমগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। ইৱাই হায়রিবা মণিপুরী সোর্ট ফিক্সন ফিল্ম অসি তরেৎশুবা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেলগীদমকসু খল্লকখ্রবনি হায়রি।

## মৈ মমগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : ১১ কে ভি খোংজোমনা কোনবা মফমশিংদা হয়েং নবেম্বর ১১গী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা জঙ্গল কট্রিংগী থবক লৈবনা মরম ওইরগা মৈ মমগনি। খুদোংচাদবা অসিগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি হায়না কোংবা সব-দিভিজন এম এস পি দি সী এলগী মেনেজর উমাবতি লাইশ্রমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## শরুক য়াগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ওইরিবা ফাঞ্জৌবম লনজিৎ বহুজন সাহিত্য একাদেমী (নেসনল কম্মিটি ওফ ইন্দিয়া)গী অহুমশুবা নেসনল কনফরেন্স ওন বহুজন রাইটর্সতা শরুক য়াদুনা রোল ওফ বহুজন ইন মণিপুর হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংগনি। কনফরেন্স অসি ইনি দয়াগী ষ্টেট ২৬তগী মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা ন্যু দেল্লীগী গরৱাল ভবনদা লাক্লিবা নবেম্বর ১৩দা পাঙথোক্কদবনি হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## মেদিকেল এগজামিনেসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : ১০শুবা অমদি ১১শুবা আই আর বি বট্টালিয়নগী অমদি এম আর/আই আর বিগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিটশিংগী ওইবা এদিসনল ৪৮০ কেন্দিদেটশিংগী ওইনা নবেম্বর ১৪গী অয়ুক পুং ৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা মেদিকেল এগজামিনেসনদা শরুক য়ানবা তঙাইফদবা দোকুমেন্টশিং, অনৌবা পাসপোর্ট ফোটো, ব্লদ গ্রুপ সর্টিফিকেটনচিংবা দোক্যুমেন্টশিং পুদুনা মখোয় মখোয়গী মরী লৈনবা মেদিকেল বোর্দশিংদা সবমিট তৌগদবনি হায়না দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস মণিপুরগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এদমিনিষ্ট্রেসন) কে জয়ন্তগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## মোটিভেসনেল লেকচর

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা মন্ত্রিপুখ্রি অসাম রাইফলস বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা শিনদম শিনশঙ রেসিদেন্সিএল হাই স্কুলদা মোটিভেসনেল লেকচরগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ওজা অমদি মহৈরোয় য়াওনা মীওই ৩৫ রোম্না শরুক য়াখি হায়রি।

# চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা অহলশিংগী অৱাবা কোক্লবগীদমক এম এল এ থোঙাম শান্তিনা এসিষ্টিভ দিভাইস কয়া য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা অহলশিংবু ডোক্তর অমদি থেরাপিষ্টনা মাঙজৌননা কেম্প কয়া পাঙথোক্তুনা এগজামিন তৌরবা মতুং মখোয়গী হেল্থ কন্দিসনশিংগী মতুংইন্না অলিমকোনা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী খুত্থাংদা এইদস অমদি এসিষ্টিভ দিভাইস কয়া লেম্না পীথরকপশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং এ সীগী ওইনা ঙসি পুরিৎ মান্দপ মোইরাংদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিস বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এসিষ্টিভ দিভাইস য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা মোইরাং এ সীগী এম এল এ থোঙাম শান্তি অমদি দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর বিষ্ণুপুর এন জোতিসনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর এন জোতিসনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা সিনিয়র সিটিজনশিংদা ওল্ড এজ পেন্সন, ওল্ড এজ হোম অমদি লৈঙাক্লা অহল ওইরবশিংগীদমক পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী মতাংদা এৱ্যের্নেস



পীখিবগী লোয়ননা লৈঙাক্লা সিনিয়র সিটিজন অমদি দিসএবল্ডশিংবু য়ারিবমখৈ নোর্মেল ওইবা পুন্সি অমা হিংবা ঙম্নবা পীরিবা এসিষ্টিভ দিভাইস, এইদস অমদি ইক্বিপমেন্টশিং অসি ফজনা শীজিন্নবীয়ু হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মোইরাং এ সীগী এম এল এ থোঙাম শান্তিনা হায়খি, থবক শুবা নোম্না ঙমজদ্রবা হকচাংগী কয়াৎ কয়া শোন্থরবা অহল ওইরবশিংদা মতেং ওইনবা হায়দুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিবা লৈঙাক অসিনা অমা চিরাই থম্লে হৌদোক্লা অহলশিংদা এইদস অমদি এসিষ্টিভদিভাইসশিং অসি পীখিনি। ঙসি অহলশিংদা পীজরিবা পোৎলমশিং অসি ডোক্তরদা হান্না য়াম্না ফজনা য়েংলবা মতুংদা হায়রিবা অহলশিং অসিদা মশা-মশাগা চান্নবা পীবা য়াবা দিভাইসশিং অদু পীবা য়ারে হায়না ঙসি অহলশিং অসিদা খুদোল তৌজবনি। পীজরিবা দিভাইসশিং অসিনা হান্না য়াম্না রানা ফীভম চান্দনা লৈজরম্না অহল ওইরবা মীওইশিংনা মখোয়দগী পুন্সিদা ৱারল্লা কয়া অদুগী হায়বদি ফীভম চান্দনা য়াম্না রানা লৈরম্না অদু নোর্মেল লাইফদা লৈবা ঙমহনগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈ। হায়রিবা দিভাইসশিং অসি ফার্মাসিদা অমদি দুকান অমা হেক্কদা ফংবা নত্তে। মরম অদুনা য়াম্না ফজনা ভেল্যু লৈনা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবীয়ু। লৈঙাক্লা মীচম-মীয়াম্বু নুংঙাইনা হিংনবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়াম্না সপোর্ট তৌবীবগা লোয়ননা কোওপরেসন পীবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চহী ৬০ হেল্লবা অহলশিংদা হ্বিল চিয়ার, ৱাকিং ষ্টিক্স, বেট্রির হিয়রিং এইদ্দস, স্পেক্টেকলস, সর্ভিকেল কোল্লর, নী ব্রেস, এল এস বেল্ট, এল্জ ষ্টটেবল ৱাকিং এইদস, দেন্টর, ফুট ক্যের, ৱাকিং ষ্টিক ৱিথ সীট, ক্রশ জেল্লা, ৱাকিং ফোলদেবলনচিংবা ইক্বিপমেন্ট পুন্না ৩৭৬ রোম য়েন্থোকখি হায়রি।

# ‘রবি লৌরোক মপুং ফাহন্নবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎসি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : চথলিবা চহী অসিগী ওইনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ২/৩ লোমগী চাখোক লৈবা লৌমম ক্যাদা মতম চানা হার চইবা ওমখিদবা অমদি ফৌ শাৎলমদাইদা ঈশিং ফংদবদগী লেক্রক চৎপা য়াওনরকপদগী থাদখিবা শেনফম হজিনবা ঙম্লরোই হায়বগী মকোক্তা মখুৎ হাপ্পবা লৌমী অমসুং শিল্লং লৌমীশিংগী য়েংবীদুনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টদগী রবি লৌরোক মপুং ফাহন্নবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু হায়না মণিপুর লৌমী লুপকী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হৌজিক হৌজিক ঈকংগা মান্নবা ফীভম মায়োক্নরবা লৌফমশিং অসি ঈশিং য়াওদনা রবি লৌরোক মহয় য়ানবা ঙম্লোই হায়বসি এগ্রিকলচর দিরেক্টরনসু খঙলমগনি। মরম অসিদগী রবি লৌরোক মাঙওইননা ঈকং মায়োক্নরবা লৌফমশিংদা চান্নবা মৈ-মরোং অমসুং মনা-মশিং থাবা য়ানবা অখন্নবা কম্যুনিটি টেঙ্ক (পুখ্রি) শেমগৎনবা নত্রগা অনকপা তুরেলদগী পম্পনা ঈশিং চিংনবা হোৎনরবদি রবি লৌরোক মহয় য়ানবা ঙম্বগী মথক্তা খরিফ লৌরোক্তসু অহেনবা চাথোক পুথোকপা ঙমগনি হায়বসি মণিপুর লৌমী লুপকী অচেৎপা থাজবনি।

লোয়ননা ঈকং মায়োক্নরবদগী শেল মাঙবনা লৌমীশিংগী অৱাবা খরদা ওইরবসু কোকহন্নবা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা কম্পেন্সেসন খরা পীবীনবসু হায়জরি। ফৌথোক হৢরক্লগনি হায়বগী মীপায়বা পোক্লরিবা চৈকক্তা নবেম্বর ৮/৯গী লোম্না অহিংদা খাঙবাক মনিং লৈকায়দা ফৌবৈ মৈ থাদুনা মাঙহনখিবগী থৌদোক অদুবুসু অকনবা মওংদা য়ানিংদে। থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং অথুবদা ফানবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

# ওজাশিংনা শেল খায়নদুনা চৌকিদার থম্লম্বা থেংনরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : ফেদরেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক (ফেসোক) হেদ ওফিসকী ভি পিনা লুচিংবা টিম অমনা স্কুলশিংগী ফীভম য়েংশিনবা চৎলুবদা লিলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা নন-টিচিং ষ্টাফ অমত্তা লৈতবনা ওজাশিংনা শেল খায়গৎনদুনা স্কুল অসিগী চৌকিদার অমা হাপ্পুনা থবক তৌহল্লম্বা থেংনরে হায়না ফেসোক্কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনসম প্রিতিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না ইম্ফাল ৱেষ্টকী লিলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি লিলোং হায়র সেকেন্দরি মদ্রাসা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অনীসিদা য়েংশিনখি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা স্কুলশিং অসিগী অৱাৎপা য়েংশিল্লুবদা লিলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওইনদি য়াম্না ফজনা লৈরম্বা থেংনখি। অদুম ওইনমক মণিপুরীগী ওজা ৱাৎপনা মহৈরোয়শিংদা ক্লাস মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমহন্দবগী মমি তাহৌই। লোয়ননা লাইব্রেরী মতিক চানা লৈতবনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংনা লাইব্রেরীদা চঙদুনা লাইরিক পাবা ফংদবগী খুদোংচাদবা লৈহৌরি। লিলোং হায়র সেকেন্দরি মদ্রাসা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট স্কুল অসিগী ফীভম য়েংশিল্লুবদা স্কুল অসিগী ওইনা ক্লাসরুমগী অৱাৎপা অমদি লাইব্রেরী মতিক চানা লৈহৌদবনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি।

লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী ফম্ফম লৈতবনা লাইব্রেরী অসি শুপ্পগী মমিংতগী লৈ হায়বদমক ঙাইহৌরে। অসিগুম্বা ক্লাসরুম মতিক চানা লৈতবা, ওজা ৱাৎপা, নন-টিচিং ষ্টাফশিং ৱাৎপা, লাইব্রেরী লৈতবা অমদি লাইব্রেরী লৈরগসু ফম্ফম লৈতবনা লাইব্রেরী লৈতবগা পাঞ্জক ওইরিবা অৱাৎপা কয়ানা থল্লবা লৈঙাক্কী স্কুলশিং অসিদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা অথুবা মতমদা য়েংশিনবীদুনা অৱাৎপশিং অসি মেনখৎপীয়ু। লোয়ননা ফেসোক্লা লিশাং শিৎনা চথরকপা স্কুল সর্ভে অসিদা লৈবাক মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়না ফেসোক্কী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অদুনাম খা তানা ফোঙদোরক্লি।

# লৈবাক ৱাথোক ওইরিবা ন্যু পেন্সন স্কিম চৎনহন্দনবগী ৱাফম পুখৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : হরিয়ানাগী ফরিদবাদতা চথরিবা ইন্টরনেসনল ইমপ্লোয়ী অমদি ট্রেদকী মীফমগী নীনি চনবা নুমীৎকী অয়ুক্কী সেসনদা হৌজিক হৌজিক লৈবাক ৱাথোক ওইরিবা ন্যু পেন্সন স্কিম (এন পি এস) চৎনহন্দনবগী ৱাফম মণিপুর ষ্টেট কম্মিটি, ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী কনফিদরেসন (এ আই এস জি ঈ সী)গী মাইস্নাম জয়কুমারনা পুখৎখ্রে হায়না এ আই এস জি ঈ সী মণিপুরগী সেক্রেটরি ঈ গিরানিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরদসু এন পি এস অসি কুমজা ২০০৫দগী চৎনবা হৌরকখিবনি। অদুবু মসিনা ওজাশিং য়াওনা ইমপ্লোয়ী অমদি ৱার্কর খূদিংমক্তা খুদোংথিবা নংহল্লি। মসিনা ইমপ্লোয়ী অমগী ইমুং-মনুংদা পেন্সন খরদং ফংগনি হায়বদু থাজনিংঙাই ওইদে। এন পি এস অসি স্যের মার্কেটকা মরী লৈনবা ওইবনা সোসল সিক্যুরিটিদি লায়রদনা পেন্সন ইমপ্লোয়ী অমনা মতম চাদনা লৈখিদবদা খুদোংচাবা লৈতে। তশেংনা হায়রবদা এন পি এস অসিদি কোর্পোরেট বোদিশিংদা তাঙজ গদৌরি। ৱেষ্ট বেঙ্গল, ত্রিপুরানচিংবা ষ্টেটশিংদা ওল্ড পেন্সন স্কিম অদুম্মক চৎনরি। এন পি এসকী অশোয়বা কয়া অসি খঙনরকপদগী ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদা ও পি এস চৎনহন্নবা থবক পায়খৎনরক্লি।

হিমাচল প্রদেশতা ও পি এস অমুক এদোপ তৌনবা থৌরাং হৌখ্রে। লোয়ননা রাজস্থান, পঞ্জাব, তামিল নাদু, কেরলা, ওরিষা অমদি ঝরখন্দনচিংবদা গভর্ণমেন্টশিংনা মসিগীদমক থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। সুপ্রীম কোর্টকী ভর্দিক পীরদুনা ওল্ড পেন্সন স্কিম চৎনহন্নবা ৱাফম লৈরক্লে। মরম অদুনা ইমপ্লোয়ী অমসুং ট্রেদকী মীফমনা অকনবা রিজোল্যুসন লৌবগা লোয়ননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা এন পি এস মপুং ফানা মুখৎনবা অমদি ও পি এস মপুং ফানা চৎনহন্নবা ৱাফম পুখৎখি।

লোয়ননা ষ্টেট প্রসিদেন্ট এম জয়কুমারনা মণিপুর হায়বসি ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক চিঁদাইদা মনিং তম্লা চহী লিশিং ২ রোম লৈজরম্বা লৈবাকনি। ঙসিদি লৈবাক অসিগী মীয়াম ইনি দয়াগী নিও লিবরেল ইকনমিক পোলিসী অসিনা য়াম্না হন্থবা থাক্তা লৈরক্লি। মতম অমগী মালেমগী তঞ্জায় অমরোম লোয় চল্লম্বা বৃটিশ ফাওবা থেংনখিবা মণিপুরগী সিটিজনশিং ওইদুনসু মণিপুরীশিংগী থৌনা অমদি ইন্টলেক্চ্যুএল নীংথিনা লৈদুনসু অপূনবা মীয়াম চাউখৎহনবদি ঙমদ্রে হায়খি।

ঙসিগী অরোইবা মীফমদা মালেমগী মীফমশিং কন্ট্রি কয়াদা পাঙথোক্লবা তুংদা ইন্টরনেসনল কোংগ্রেস অমুক পাঙথোক্লবা য়ানখি। লোয়ননা টি য়ু আইনা মপাঙ্গল কন্না লৈরিবা লৈবাক সাউথ অফ্রিকা, গাবোন, ইজিপ্ট, পেরু, ব্রাজিল, পোর্টুগাল, ইটালি, ফ্রান্স, রসিয়া, ইংলেন্দ, কনাদা অমদি ক্যুবানচিংবা মফমশিংদসু মীফম ফমদুনা ইমপ্লোয়ী অমদি ট্রেদ ৱার্করশিংগী য়াইফন্নবা ঈহৌ হনবা লৈতনা চথনবা ৱারেপ লৌখি।

# পেন্টিং কম্পিটিসনগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল ফোর চাইল্ড ৱেলফেয়র মোইরাংখোম বজার ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা নেসনল চিলদ্রেনস পেন্টিং কম্পিটিসন ২০২২গী রিজল্ট লাউথোক্লে হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল ফোর চাইল্ড ৱেলফেয়র জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই ফালগুনিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চহী ৫দগী ৯ ফাওবগী পাঙথোকখিবা চাংদম্নবা অদুদা অহানবা মনাদা নিঙোন্থম প্রিষ্টিনা, অনীশুবা মনাদা টি ঐচ রোসিতা, অহুমশুবা মনাদা কে ঐচ চন্দ্রনি। অদুগা কন্সোলেসন প্রাইজদনা লাইশ্রম হেন্থোইবী চনু অমদি লিন্দাসনা মুতুমনি হায়রি।

নেসনল চিলদ্রেনস পেন্টিং কম্পিটিসন ২০২২গী চহী ১০দগী ১৬ ফাওবগী ওইনা পাঙথোকখিবা চাংদম্নবা অদুদা অহানবা মনাদা ব্রিকর্ম লৌরেম্বম, অনীশুবা মনাদা তেইজম ঘনশ্যাম, অহুমশুবা মনাদা সুনৈনা সাইখোম অমদি কন্সোলেসন প্রাইজ দনা প্রেসিলা হৈক্রুজম অমদি ইরুংবম মার্কোনি মীতৈনি। চাংদম্নবা অসিগী গ্রীন গ্রুপ অমদি হ্বাইট গ্রুপকী ওইনা মকোক মথং তারকখ্রবশিং অমসুং কন্সোলেসন প্রাইজ ফংগদৌরিবা মহৈরোয়শিং অসিদা লাক্লিবা নবেম্বর ১৩গী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা ওফিস কমপ্লেক্সতা মনা পীরগনি হায়রি।

# পোপ্পি লৈরাং ম্যুজিক ভিদিও এলবমগী য়াইফ থৌনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টর থৌবাল অমদি ৱর্ল্ড এক্সপ্রেসন পিকচর্স অনীনা খুৎশম্নদুনা পোপ্পি লৈরাং হায়না মিংথোনবা মণিপুরগী হৌরক্লিবা নহাশিংদা ৱার ওন দ্রগসকী মতাংদা শৈথাবা মাইবম ইতীন মৈতৈনা প্রদ্যুসর ওইদুনা পুথোকপা মণিপুরী ম্যুজিক ভিদিও এলবম অমা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা রিলিজ তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ম্যুজিক ভিদিও এলবম রিলিজ তৌবগী থৌরম অদুদা পৱার মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ, টুরিজম কোর্পোরেসন মণিপুরগী চ্যেরমেন লংথবাল এ সীগী এম এল এ করাম শ্যাম, মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস দিপার্টমেন্টকী চ্যেরমেন অমসুং লম্লাই এ সীগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচা, নার্কোটিক এফেয়র্স এন্দ বোর্দরস (নাব)কী এস পি, কে মেঘচন্দ্র, ইম্ফাল ইষ্ট জেদ পিগী উপ-অধক্ষ্য ডা. ক্ষেত্রি তমা অমদি সোসল ৱার্কর লৈতাম্থেম বসন্তনা থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অমা কনবা হায়বসি লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম পুম্নমক্কী মথৌদাংনি। অফবা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনবদা মীপুম খূদিংগী মথৌ তাই। মীওই অমা খক্তনা অফবা থবক তৌরগা লৈবাক অদু অফবনি হায়বা খক য়ারোই। অমরোমদা, ঈশৈ হায়বসিনা মীপুম খূদিংগী অৱা-নুংঙাইদা শরুক য়ারি। ইরমদম অসিদা অইবা কয়া লৈরম্বনা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক খূদিংবু মীয়ামদা খঙহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ঙসি পুথোক্লিবা ঈশৈ অসিনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা ঈরাক্লবা নহা কয়াগী পুন্সি কনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# আই এফ সী দিনা কম্পেন্সেসন পীবীয়ু

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : হৌজিক হৌজিক আই এফ সী দি ৱাটর রিছোর্সেস দিভেলপমেন্টনা ঈশিং পীবা য়াবা লৌফমশিং লৌ পরি ৫০ রোম্না ফৌ লোকপা ঙমদনা লৌ লোক্ত্রে। লৌ পরি খরনা লৌ উবা য়াদনা লৈরে। লৌ পরি ১০ রোম্না ফীভম চাদনা লৈরে। মরম অদুনা পুম্নমক্কী তেকচাক আই এফ সী দিনা পুবীগদবনি অমদি লৌফম অসিগী কম্পেন্সেসন আই এফ সী দিনা পীবীয়ু হায়না পোইরৌপাৎ লৌকোল ফার্মরস দিভেলপমেন্ট কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী সেক্রেটরি তোমচৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

করিগুম্বা কম্পেন্সেসন পীবীদবা তারবদি ফার্মরশিংনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু। থৌবাল ব্রিদজদগী অন্দ্রো সনাপাৎ ফাওরগা লাক্লিবা মফম অসিদগী ঈশিং পীবীনবা হায়জদুনা কেনেল থোনবা লোইখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৯দা ঈশিং থাবা য়ারগনি হায়দুনা কলভর্ট কয়া শাদুনসু লোইখ্রে। কেনেল মথক্তা শারিবা কলভর্টশিং অসিসু মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীয়ু।

হায়রিবা মফমশিং অসিদা লৈরিবা লৌমীশিংনা ফংফম থোকপা অমদি পীবা য়ারবা ঈশিং পীবীদবনা মরম ওইরগা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা লৌমীশিংনা লৌ উনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লবদা লৌ মপুং ফানা উবা ঙমদ্রে অমদি উরবসু লৌ লোকপা য়ানদ্রে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

# নবেম্বর ১৩দগী অমুক হন্না মথৌ তৌরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : পোরোম্পাৎতা লৈবা ইম্ফাল ইষ্টকী দি সী ওফিস কমপ্লেক্স মনুংদা লৈবা শওন্খুংগী এস দি ও, এস দি সী অমদি সব-রেজিষ্টরগী ওফিস থা অসিগী ১৩দা শওন্খুংদা লৈবা মশাগী ওফিস কমপ্লেক্সতা অমুক হন্না পুরক্তুনা মথৌ তৌবা হৌরগনি হায়না লম্লাই এ সীগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নৌনা ওফিস হোংজিল্লক্লবগীদমক শেম-শারিবা শওন্খুংদা লৈবা ওফিসশিং এম এল এ মশানা লুচিংদুনা লম্লাই এ সীগী মনুংদা লৈবা ক্লব, মৈরা পায়বী কয়াগা লোয়ননা শেংদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা এম এল এ ইবোমচানা মখা তারদুনা হায়খি, মতম অমদা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফত্তবনা অরাপ্পা মফমশিংদা লৈঙাক্কী ওফিসশিংনা নীংথিনা হাংবা ঙমখিদে। মদুগী মনুং চন্না শওন্খুংদা লৈরম্বা এস দি ও, এস দি সী অমদি সব-রেজিষ্টরগী ওফিসশিংগী ষ্টাফশিংসু মফম অসিদা ফম্বা ঙম্লমদবনা পোরোম্পাৎতা হোংদুনা ফমখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না চে-চাং তান্নবা য়াওনা হীরম কয়াদা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকখি। অদুবু হৌজিক্তি ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলকপনা চীফ মিনিষ্টরগী হন্দ্রেদ দেজ প্রোগ্রামদা হাপ্পুনা কমপ্লেক্স অসি শেমজিল্লগা থা অসিগী ১৩দগী ওফিস হাংননবা লৈঙাক্লা ৱারেপ লৌরকপনি। হায়রিবা ওফিসশিং অসি হোংলক্লবদি মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না য়াম্না ৱানা মীয়াম্না পোরোম্পাৎ ফাওবদা চৎপদা থেংনরম্বা খুদোংচাদবশিং অদু কোক্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চহী কয়া মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না মায়োক্নরম্বা অৱাবশিং অদু হন্দক্তা এম এল এ ওইরকখিবা ইবোমচানা কোকহনবীবগীদমক মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোক্নরক্লি।

## মেদিকেল ওফিসরশিংগী মেদিকেল বোর্দ ২ শেমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : রাইফলমেন পোষ্টকীদমক খনখ্রবা ১,৮৩০ কেন্দিদেটশিংগী মেদিকেল ফিটনেস এগজামিনেসন পাঙথোক্লবগীদমক মেদিকেল বোর্দ অনী শেমখ্রে। অহানবা বোর্দতা ডা. গোলমৈ, ডা. সয়েদ, ডা. এম বিজেন্তিবালা, ডা. কে দিঙ্গো অমদি অনীশুবা বোর্দতনা ডা. এল রেবিকা, ডা. গাইথিলু কামৈ অমদি ডা. পি ঐচ প্রেমজিৎনি। অহানবা অমদি অনীশুবা মেদিকেল বোর্দকী ওফিসরশিংনা নবেম্বর ১৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা মেদিকেল ফিটনেস এগজামিনেসনদা শরুক য়াগনি হায়রি।

# ষ্টুদেন্টস ইন্দক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর কোলেজনা শীন্দুনা ফ্রী ষ্টুদেন্টস কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম ওন কম্প্যুটর এপ্লিকেসন্স, একাউন্টিং এন্দ পব্লিসিং হায়বা ষ্টুদেন্টস ইন্দক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর কোলেজ ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল ডা. দল্লিয়ু শম্ভুনাথনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা ষ্টুদেন্টস ইন্দক্সন প্রোগ্রাম অদুদা দিরেক্টর ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোম (আই এ এস) অমদি নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (এন আই ঈ এল আই টি) ইম্ফালগী দিরেক্টর এন দেবচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদু মণিপুর কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. দল্লিয়ু শম্ভুনাথনা প্রিসাইদ তৌখি। থৌরম অদুগী কিনোট এদ্রেসনা কোর্স কোওর্দিনেটর এস বিরজিৎনা পীখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টর ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোমনা ইস্যু তৌবীরকখিবা কম্প্যুটর সেট ১০ মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্টেসন তৌখি হায়রি।

# দি এল ওশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা দি সী ওফিস কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি দেপ্যুটি কম্মিস্নার কাংপোকপী কেঙু জুরিংলানা চ্যের লৌদুনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মীফম অদুগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা ক্বার্টর এলোটমেন্টকী ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। লোয়ননা মীফম অদুদা দি সী কাংপোকপীনা দি এল ওশিংদা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং সবমিট তৌরক্লবা অমুক হন্না পাউতাক পীখি। লোয়ননা খন্ন-নৈনবা অদুদা ইনক্রোসমেন্টকী ইস্যুশিংগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দি এল ওশিংদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার কাংপোকপীনা সিজনেল ওইবা এক্টিভিটিশিং মতম চানা পাঙথোক্লিব্রা হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসু হংদুনা খঙদোক্লবা হোৎনখি। ঙসিগী মীফম অদুগী মাঙওইননা দিষ্ট্রিক্ট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী মেম্বরশিংগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুগী মনুং চন্না কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা পীগদবা এক্স-গ্রেসিয়া এৱার্দশিংগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসর কাংপোকপীগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**

**Ref :- R-R. No. 394/SDC/IW/LC** **Dated, 9/11/2022**

**/ NOTICE**

Lilong Chajing the 09th Nov. 2022

অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি লৈখিদ্রবা লাইশ্রম সিংহজিৎ সিংহ Ex. Constable No. 0901182 ওইনাম লৈকাইদা লৈবা অসিগী লোইনবী Arambam Monika Seles হায়রিবী নুপী অসিনা মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা য়েৎপীনিংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা "নোটিস" অসিনা পাউ-চে অসিদা হাপ্পা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা য়েৎলদ্রবদি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/4844/11

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: OINAM**

**Ref :- Mutation Case No. 300 of 2022.**

**/ CORRIGENDUM**

Dated: 10/11/2022

তাং ২৫/১০/২০২২ ইংগী পাউচে ফোঙবদা SDC/Oinam গী Mut. case No. 300 দা ইখিবা দাগ নং - ৪৪৫ অসি লাল্লে, দাগ নং ৪৫৫ হায়না ইগদবনি।

**Sd/- Ph. Kumar Singh**
**Sub-Deputy Collector:**
Oinam

HL-P/4846/11

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mutation Case No. 866/SDC/NBL of 2022.**

1) Maibam Thoiba Singh S/o (L) Yaima Singh.
2) - do - Manibabu Singh S/o Thoiba Singh.
3) - do - Bijenkumar Singh S/o - do -
4) - do - Thoithoi Singh S/o - do - all of Maibam Chingmang.

-Petitioners

-Vs-

(L) Maibam Yaima Singh S/o (L) Chaoba Singh of Maibam Chingmang. -O.P

**/ NOTICE**

Dtd. 10/11/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 23-Maibam (1) Patta No. 437 (O) 594 (N) Dag No. 1231 area 0.34 acre Class Ingkhol হায়রিবা Ingkhol অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Ingkhol অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol

HL-P/4846/11

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - I**

**Ref :- Mutation Case No. 69/AS&SO/I of 2022.**

(1) Yengkhom Anil Singh S/o (L) Amuyaima Singh of Kakching Khullen Turel Wangma.
(2) Yengkhom Monba Singh S/o (L) - do - of - do -
(3) Yengkhom Premjit Singh S/o (L) - do - of - do -

-Petitioners

-Vs-

(L) Yengkhom Amuyaima Singh S/o Ibomcha Singh of Kakching Khullen Turel Wangma. -OPP

**/ NOTICE**

Imphal the 8th November 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঙ্গরি মদুদি ককচিং তহশিল খুল নং ৫৭-ককচিং খুলেন পাট্টা নং ২৯০/Part দাগ নং 600/Part অপুনবা এরিয়া .০৮৫ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লম অসি মৃত পাট্টাদারগী মচানুপা অহুম্না দংকারী ওইদুনা দংকারিশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি তৌবীনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা উক্ত Court অসিদা দরখাষ্ট থাবীগদবনি, হায়রিবা নুমিৎ অসিগী মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

**Sd/- Mayengbam Ojit Singh**
**Assistant Survey&Settlement Officer-I**

HL-P/4841/11